# মণিপুরদা অহানবা ওইনা শান্নখিবা আই-লীগকী মেচ য়ূম্বু ওইখিবা নেরোকা এফ সীনা মায় পাক্তুনা পুৰারী শেমখ্রে, চেন্নাই সিটি এফ সী মায়থীবা নংখ্রে

## নেরোকা এফ সী অমসুং চেন্নাই সিটি এফ সীগী মেচ অদু মীওই ২৭,০০০ লোম্না মীৎয়েং তাখি, ললিৎ থপানা হিরো ওফ দ মেচ তাখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) : মণিপুরদা অহানবা ওইনা শান্নখিবা আই-লীগকী মেচতা য়ূম্বু ওইখিবা নেরোকা এফ সীনা মায় পাক্তুনা পুৰারী শেমখ্রে। চেন্নাই সিটি এফ সীনা মায়থীখ্রে।

চহী অসিদা অহানবা ওইনা আই-লীগতা শরুক য়ারকখিবা নেরোকা এফ সীনা য়ূম্বু ওইরগা ঙসি চেন্নাই সিটি এফ সীগা মণিপুর খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা অহানবা ওইনা আই-লীগকী মেচ অদু শান্নখিবনি। মেচ অদুদা মায় পাক্তুনা নেরোকা এফ সীনা মণিপুরদা ইহান হান্না শান্নবা আই-লীগকী মেচৰিন্নর ওইবা ঙমখ্রে। মসিদসু নত্তনা য়ূম্বু ওইরগা শান্নখিবা অহানবা মেচসু মায় পাকপগী পুৰারী নেরোকা এফ সীনা শেমখ্রে।

নেরোকা এফ সীনা য়ূম্বু ওইরগা চেন্নাই সিটি এফ সীগা মণিপুরদা অহানবা ওইনা শান্নখিবা আই-লীগকী মেচ অদু মীওই ২৭,০০০ রোম্না মীৎয়েং তাখি। খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা তিনখিবা মশীং য়ান্নবা মীয়াম অদুগী মীৎমাঙদা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদগী য়ূম্বু ওইরিবা নেরোকা এফ সী অমসুং চেন্নাই সিটি এফ সী শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌরকপদগী হৌনা নেরোকা এফ সীগী সপোর্টর ওইদুনা মেচ অদুবু মীৎয়েং তাবা লাক্লিবা মশীং য়ান্নবা মীয়াম্না ধোল থিনবদা নেরোকা এফ সী হায়বা খোল্লাউ হৌনা হৌনা লাউরকখি। ষ্টেদিয়ম অদুদা তিনখিবা



মীয়াম্না নেরোকা এফ সীদা পীখিবা সপোর্ট অদুনা চেন্নাই সিটি এফ সীদদি মেচ অদু হেক হৌবদগী প্রেসর লৈখি।

মশীং য়ান্নবা মীয়াম অদুনা ষ্টেদিয়মদা নিল্লকখিবা অদুনা নেরোকা এফ সীদা থৌনা হাপ্পা ওইনা থোকখি। মেচ অদু নেরোকা এফ সীনা হৌরকপদগী হৌনা এটেক চথখি। মেচকী ১৭শুবা মিনিটতা নেরোকা এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা দি বোক্স মনুংদা ফাওল অমা তৌরুবদগী চেন্নাই সিটি এফ সীনা পেনালটি কিক অমা কাওবগী খুদোংচাবা ফংখি। মেচ হৌরকপদা ষ্টেদিয়ম অদুদা পুমনিল নিলবমখে লাংলম্বা মীয়াম অদু পেনালটি কাওগদৌরে হায়বদগী তুমিন্না লৈনখি। পেনালটি কিক অদু চেন্নাই সিটি এফ সীগী ফোরেন প্লেয়র ওইবদা নত্তনা ফোরৱার্দ প্লেয়র ওইরিবা মুরিললো রিবৈরো দি অলমৈদানা কাওখি। মুরিললো রিবৈরো দি অলমৈদানা কাওখিবা পেনালটি কিক অদু নেরোকা এফ সীগী কেপ্তেনসু ওইরিবা গোলকিপর ললিট থাপানা চোঙখৎলগা মহাক্কী য়েৎ থংবা খৃৎনা বোল অদু ঙাকথোক্তুনা পেনালটি সেভ তৌখি। ললিট থাপানা পেনালটি অদু সেভ তৌখিবদগী মীকুপ খরা তুমিন্না লৈরুরবা মীয়াম অদু অমুক হন্না খোঞ্জেল হৌনা লাংখৎলকখি। চেন্নাই সিটি এফ সীগী মায়কৈদগী কাওখিবা পেনালটি কিক অদু গোল ওন্থোকপা ঙমহৌদ্রবা মতুংদা নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী এটেক কয়া চথরকখি। মেচকী ২৬শুবা মিনিটতা নেরোকা এফ সীগী ফোরেন শান্নরোয় অমসু ওইরিবা দিফেন্দর ভার্নি কে কেলোন্না গোল অমা চনখি। ভার্নি কে কেলোন্না চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু নেরোকা এফ সীনা গোল ১-০দা মাঙজিল থাহনখিবদা নত্তনা য়ূম্বু ওইরিবা নেরোকা এফ সীবু সপোর্ট তৌদুনা মেচ অদুবু মীয়ামগী পূক্লিং পেলহনখি।

নেরোকা এফ সীনা মাঙজিল থাবা ঙমখিবা অদুদা মীয়াম্নসু ধোল থিনবগা লোয়ননা অহৌবা মখোলদা নেরোকা -নেরোকা হায়না লাউনরকখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা চেন্নাই সিটি এফ সীনা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

নেরোকা এফ সীনা অহানবা হাফতগী হৌনা মাঙজিল থারগা লাক্লিবা গোল অদু হন্দোক্নবগীদমক অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী চেন্নাই সিটি এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা অকনবা এটেক কয়া চথরকখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপদা গোল হন্দোকপা য়াবগী খুদোংচাবা মীকুপ কয়া চেন্নাই সিটি এফ সীনা ফংলবসু নেরোকা এফ সীগী গোলকিপর ললিট থাপানা য়াম্না ফজনা দিফেন্দ তৌরগা শান্নখি। অদুবু মেচকী ৬৪শুবা মিনিটতা চেন্নাই সিটি এফ সীগী ফোরেন প্লেয়র অমসু ওইরিবা ফোরৱার্দ জিন মাইকেল জাওচিন্নি দি বোক্স মনুংদা ফংখিবা বোল অদু গোল পোষ্ট তন্না কাওশিল্লগা নেট নোমহন্দুনা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। গোল ইক্বেলাইজ তৌখিবদগী নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদ্গী অহেনবা গোল চন্নবা অমুক হন্না অকনবা এটেক কয়া চথরকখি। চেন্নাই সিটি এফ সীগী মায়কৈদ্গীসু হনবা লৈতনা অহেনবা গোল চন্নবা হোৎনরকখি। মেচকী ৮০শুবা মিনিট খরা হেল্লকপদা চেন্নাই সিটিগী জিন মাইকেল জাওচিন্নি দি বোক্স মপান্দগী কাওশিল্লকপা ফজরবা বোল অমা ললিট থাপানা ঙাকথোকখি। চেন্নাই সিটিগী গোল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অদু ললিট থাপানা দিফেন্দ তৌখ্রবা মতুংদা নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী গোল চন্নবা অকনবা এটেক চথখি। অনীশুবা হাফকী তঙ্খায় চল্লবা মতুংদা সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা নেরোকা এফ সীগী ঙাঙোম রোনাল্ডনা দি বোক্স মনুংদা বোল লৌননবা হোৎনবদা চেন্নাই সিটি এফ সীগী শান্নরোয় অমনা ইল্লকপদগী তুখি। মদুদা রোনাল্ডনা পেনালটি পীবিনবা রেফ্রিদা ক্লেইম তৌখি। অদুবু পেনালটিদি পীখিদে। মেচকী অরোইবা মীকুপ হায়বদি ৮৯শুবা মিনিটতা রোনাল্ডনা দি বোক্স মনুংদা ফংবা ফজরবা বোল অমা গোল ওন্থোক্তুনা মেচ অদু নেরোকা এফ সীনা গোল ২-১দা মাঙজিল থাহনখি। মেচ অদুগী ইঞ্জুরি টাইম লোইবা ফাওবদা নেরোকা এফ সীগী অনীশুবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা চেন্নাই সিটি এফ সী মায়থীহৌখি। অদুগা য়ূম্বু ওইরিবা নেরোকা এফ সীনা মেচ অদু গোল ২-১দা মায় পাকখিবনি।

মেচ অদুদা ফজবা পার্ফোমেন্স পীখিবদা নত্তনা গোল কয়া সেভ তৌবা ঙমখিবা নেরোকা এফ সীগী কেপ্তেনসু ওইরিবা গোলকিপর ললিট থাপানা হিরো ওফ দ মেচ তাখি।




## অহানবা ষ্টেট লেভেল কামনিকুমার মেমোরিএল কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) : বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কিক বোক্সিং এসোসিএসন অমসুং টি ৱাই দি সী এ ত্রোংলাওবীনা পূন্না শিল্লগা কুমজা ২০১৮গী জান্যুৱারী ১২দগী ১৪ ফাওবা ত্রোংলাওবী মখা লৈকায় এল পি স্কুলদা অহানবা ষ্টেট লেভেল কামনিকুমার মেমোরিএল কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি হায়না বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কিক বোক্সিং এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি মাষ্টর বিশ্বরজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, অহানবা ষ্টেট লেভেল কামনিকুমার মেমোরিএল কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসি নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী সব জুনিয়র, জুনিয়র অমসুং সেনিয়র কেটাগোরিশিংদা পাঙথোক্কনি।

চেম্পিয়নশিপ অসি ইন্টরনেসনল কিক বোক্সিং ফেদরেসনগী নৌনা শেমখিবা চৎন-কাঙলোন অদু ঙাক্না পাঙথোক্কনি। তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিশিং খায়দোক্লগা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা অহানবা মনা ফংবা শান্নরোয় অদুদা ত্রেকসুইট অমসুং সার্টিফিকেট য়াওনা গোল্ড মেদল, অনীশুবা পোজিসন তারবা শান্নরোয় অদুদনা টি-সার্ট অমসুং সার্টিফিকেট য়াওবা শিলভর মেদল অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তারবা শান্নরোয় অদুদনা সার্টিফিকেট অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল মনা ওইনা পীগনি। অদুগা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন্দনা লুপা লিশীং ৫, রন্নর্স-অপ টিমদনা লুপা লিশীং ৩ অমসুং নুপা অমসুং নুপী অনীমক্কী বেষ্ট ফাইটরদনা লুপা লিশীং ২গী মনা পীগনি। অহানবা ষ্টেট লেভেল কামনিকুমার মেমোরিএল কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানিংবা টিমশিংগী এন্ত্রি ফীনা লুপা ৪০০নি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংগী ৱেথ ওনবগী থবক জান্যুৱারী ১২গী অয়ূক পুং ৮ তাবদগী হৌগনি। অহানবা ষ্টেট লেভেল কামনিকুমার মেমোরিএল কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানীংবা শান্নরোয়শিংনা এম গুনাধোর (মুসুক) কী মোবাইল নম্বর ৭০০৫১৪৬২৪৫ অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কিক বোক্সিং এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি মাষ্টর বিশ্বরজিৎকী মোবাইল নম্বর ৮৭৮৭৮৯৭০৫৮দা পাউ ফাওরকপা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

## মণিপুর টিমগী পৱরলিফটরশিং খন্ননবা ত্রাইএল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) : ক্বেম্বটোরদা কুমজা ২০১৮গী জান্যুৱারী ৮দগী ১২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র অমসুং মাষ্টর নেসনল পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা মণিপুর টিমগী পৱরলিফটরশিং খন্ননবা ত্রাইএল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর পৱরলিফটিং এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এন জি থোইবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, জুনিয়র অমসুং মাষ্টর নেসনল পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭তা শরুক য়াগদবা মণিপুর টিমগী পৱরলিফটিংশিং খন্ননবা ত্রাইএল সেলেক্সন অদু লাক্লিবা দিসেম্বর ১৮দা চীংমৈরোং কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্কনি।

ত্রাইএল সেলেক্সন পাঙথোক্কদবা নুমিৎ অসিগী অয়ূক পুং ৮ তাবদগী শান্নরোয়শিংগী ৱেথ ওল্লগা কম্পিটিসন্নগা অয়ূক পুং ১০ তাবদগী হৌগনি। মরম অসিনা নেসনল পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াগদবা মণিপুর টিমগী পৱরলিফটরশিং খন্ননবা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রাইএল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা লিফটরশিং অমদি ওফিসিএলশিংনা মতম চানা লাক্কদবনি। ত্রাইএল সেলেক্সন অসিগী অকূপ্পা মরোল ওল মণিপুর পৱরলিফটিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরিদগী খঙলবা য়াগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

### ষ্টেট লেভেল জুনিয়র বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭

## এস দব্লিয়ু ঈ সী এ, এস দি সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) : সোসল ৱেলফেয়র এদ্যুকেসনল এন্দ কলচরেল এসোসিএসন (এস দব্লিয়ু ঈ সী এ) না শিল্লগা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা থিয়াম কোঞ্জিন ৱারোক লৈকায়দা ৩শুবা লেট কোন্থৌজম রঞ্জিৎ এন্দ অদর মেম্বরস ওফ এস দব্লিয়ু ঈ সী এ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল জুনিয়র বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ ঙসি হৌদোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৮না শরুক য়ারগা গ্রুপ অনী থোক্না খাইদোক্তুনা চথগদৌরিবা ৩শুবা লেট কোন্থৌজম রঞ্জিৎ এন্দ অদর মেম্বরস ওফ এস দব্লিয়ু ঈ সী এ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল জুনিয়র বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা এস দব্লিয়ু ঈ সী এগী ওফিসিএল মেম্বরশিংনা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

৩শুবা লেট কোন্থৌজম রঞ্জিৎ এন্দ অদর মেম্বরস ওফ এস দব্লিয়ু ঈ সী এ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল জুনিয়র বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ হৌদোকপগী অহানবা মেচতা এস দব্লিয়ু ঈ সী এ অমসুং ৱাই এম দি ও শান্নখি। মেচ অদুদা এস দব্লিয়ু ঈ সী এনা ৱাই এম দি ওবু ২৫-১৮, ২১-২৫, ২৫-২১, ২০-২৫, ১৫-৬ (৩-২) দা মায়থীবা পীখি। অদুগা অনীশুবা মেচতনা এস দি সী অমসুং এন ৱাই ভি এ শান্নখি। মেচ অদু এস দি সীনা এন ৱাই ভি এবু ২৩-২৫, ২৫-২০, ২১-২৫, ২৫-২৩, ১৫-১২ (৩-২) দা মায়থীবা পীখি।

## মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টেবল টেনিস টিমগী শান্নরোয়শিং খনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) : ভুবনেশ্বরগী কে আই আই টিদা কুমজা ২০১৮গী জান্যুৱারী ৫দগী ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি টেবল টেনিস (মেন) টুর্নামেন্ট ২০১৭-১৮ অমসুং অসামগী দিব্রুগর য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি টেবল টেনিস (ৱিমেন্স) টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি (মেন্স এন্দ ৱিমেন্স) টেবল টেনিস টিমগী শান্নরোয়শিং খনখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী সেক্রেটরিগী থৌসু পুরিবা এম য়ুগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওফ স্পোর্টস ডা. সী ঐচ প্রদিপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি টেবল টেনিস (মেন) টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদবা এম য়ু টিমগী খল্লবা নুপা টেবল টেনিস শান্নরোয়শিং অদুদি দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী এন রোনাল, মোইরাং কোলেজগী জেক্সন, দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী দিলিপ ঐচ, মোইরাং কোলেজকী বিকি এম অমসুং দি এক কোলেজ ওফ সাইন্সকী কে ঐচ সিবকুমারনি।

অসামগী দিব্রুগর য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি টেবল টেনিস (ৱিমেন্স) টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদবা এম য়ু টিমগী খল্লবা নুপী শান্নরোয়শিং অদুনা ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজকী আইলি লৌক্রাকপম, দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী লিন্থোইঙম্বী, ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজগী ওনেষ্টি য়েংখোম অমসুং কোলেজ অসিমক্কী কে ঐচ রোসিমানি।

খল্লবা শান্নরোয়শিং অসিগী মরক্তগী করিগুম্বা ৱিথদ্রো তৌরকপা শান্নরোয় য়াওরবদি রিজার্ভ ওইনা খল্লবা শান্নরোয়শিংদগী অমুক খনগৎকনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

## স্কাউচ চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) : মণিপুর স্কাউচ রেকেট এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা লাক্লিবা দিসেম্বর ২৩ অমসুং ২৪দা পাঙ্গৈদা লৈবা সাইনিক স্কুলগী স্কাউচ রেকেট কোর্টতা মঙাশুবা ষ্টেট লেভেল স্কাউচ চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ পাঙথোক্লগনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানিংবা নুপামচা অমদি নুপীমচাগী স্কাউচ শান্নরোয়শিংনা এন্ত্রি ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা দিসেম্বর ২০গী অয়ূক পুং ১১ ফাওবা ওইগনি। চেম্পিয়নশিপ অসিগী অকূপ্পা মরোল মণিপুর স্কাউচ রেকেট এসোসিএসনগী ওফিসতগী খঙলবা য়াগনি হায়নসু এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি।

### ৮শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭

## এস এস য়ু শিংজমৈ অমসুং দি এম রাও ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) : ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (আই জি পি) মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সী আর পি এফকী মীৎয়েং মখাদা গ্রুপ সেন্তর সী আর পি এফ লাংজিং অমসুং ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) না শিল্লগা দিসেম্বর ১১দগী হৌদুনা পাঙথোক্লিবা ৮শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭কী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা মায় পাক্লবা এস এস য়ু শিংজমৈ অমসুং দি এম রাও ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা মেচশিংদা মায় পাক্তুনা টিম তরুক্না ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রবা মতুংদা ঙসি এস এস য়ু শিংজমৈ অমসুং দি এম রাওসু ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। মমাঙদা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রবা টিমশিং অদুদি নেরোকা এফ সী, এম সী ক্লব, এম টি এফ সী, এইম খাবম লমখাই, ক্লাসা কৈনৌ অমসুং ত্রাও ক্বাকৈথেলনি। টিমশিং অসিনা ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক শেম শান্নখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী তরেৎশুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ১১ তাবদগী খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা এস এস য়ু শিংজমৈ অমসুং এফ সী কাংচুপ শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী এস এস য়ু শিংজমৈনা লাকচরপ তৌনা শান্নখি। অহানবা হাফ হৌরকপদা টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। টিম অনীমক্না ফজনা শান্নখিবনা অহানবা হাফকী তঙ্খায় হেল্লক্লবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে। অহানবা হাফকী লোইরমদাই মীকুপ মেচকী ৪২শুবা মিনিটতা এস এস য়ুগী জর্সি নম্বর ১৪ এম দি অবদুল সলাম্না গোল অমা চনখি। অবদুল সলামনা চনখিবা গোল অদুনা এস এস য়ুগী



গোল একাউন্ট হাংদোকখ্রবা মতুং মেচকী ৪৪শুবা মিনিটতা এস এস য়ুগী জর্সি নম্বর ১১ ঐচ রোমেসনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এফ সী কাংচুপকী মায়কৈদগী গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেচ অদু এস এস য়ুনা গোল ২-০দা মাঙজিল থারগা চৎখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী এফ সী কাংচুপকী শান্নরোয়শিংনা এস এস য়ুগী গোলশিং অদু হন্দোক্নবা কন্না শান্নরকখি। এস এস য়ুগী মায়কৈদগীসু মখা তানা অহেনবা গোল চন্নবা এটেক অদুমক চথখি। মেচকী ৭৩শুবা মিনিটতা ঐচ রোমেসনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু এস এস য়ুনা মেচ অদু গোল ৩-০দা মাঙজিল থাহনখি। মিনিট অমখক কান্নরগা মেচকী ৭৪শুবা মিনিটতা এস এস য়ুগী জর্সি নম্বর ১৯ ও অজেনা মহাক্কী টিমগী মরিশুবা গোল চনখি। গোলশিং অদু হন্দোক্নবা কন্না হোৎনরবসু মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা এফ সী কাংচুপ মায়থীহৌখি। ঐচ রোমেসনা গোল অনী, ও অজে অমসুং এম দি অবদুল সলাম্না গোল অমমম চনখিবনা মেচ অদু এস এস য়ু শিংজমৈনা গোল ৪-০দা মায় পাক্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা তরেৎশুবা টিম ওইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদগী দি এম রাও অৱাং সেকমাই অমসুং রাও লাইরিকয়েংবম লৈকায় শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না হৌবদগী লোইবা ফাওবা য়াম্না ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ২৯শুবা মিনিটতা দি এম রাওগী জর্সি নম্বর ১৬ এস পিকান্টনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। মেচকী ৩৮শুবা মিনিটতা রাও লাইরিকয়েংবম লৈকায়গী জর্সি নম্বর ১৯ খানঙম হোরাম্না গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। মেচকী ৪০শুবা মিনিটতা অমুক দি এম রাওগী জর্সি নম্বর ১৯ কে এস কৃষ্ণনন্দনা গোল অমা চনখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দি এম রাওনা গোল ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ৬৫শুবা মিনিটতা অমসু দি এম রাওগী জর্সি নম্বর ১৬ ৱাই সুসিলনা মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা গোল চনখি। মসিগী মতুং মেচকী ৭৬শুবা মিনিটতা অমুক খানঙম হোরাম্না মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা রাও লাইরিকয়েংবম লৈকায় অমসুং দি এম রাও গোল ২-৩দা লৈহনখি। মেচকী ৮০শুবা মিনিটতা দি এম রাওগী জর্সি নম্বর ৬ কে ওমেসনা গোল অমগা চনখিবদগী মেচ অদু মহাক্কী টিম্না অমুক্কসু গোল অনী মাঙজিল থারগা চৎপা ঙমখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা দি এম রাওনা হেল্লগা চৎলিবা গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমখিদবদগী রাও লাইরিকয়েংবম লৈকায় মায়থীহৌখি। অদুগা মেচ অদু দি এম রাওনা গোল ৪-২দা মায় পাক্তুনা খ্বাইদগী ইকোন কোন্না ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা টিম ওইখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা নেরোকা এফ সী অমসুং এম সী ক্লব শান্নরগনি। অদুগা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদনা এম টি এফ সী অমসুং এইম খাবম লমখায় শান্নরগনি।

## ৱর্ল্ড সুপর সেরিজ ফাইনেল : সিন্ধু সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে, কিদম্বী শ্রীকান্থ লৈহৌরে

দুবাই, দিসেম্বর ১৫ (এজেন্সি) : বি দব্লিয়ু এফ ৱর্ল্ড সুপর সেরিজ ফাইনেলসতা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু গ্রুপ এগী মকোক্তা লৈদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে। অদুগা কিদম্বী শ্রীকান্থনা লীগ মেচ অহুম্মক মায়থীরগা নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌরে।

লীগ রাউন্দগী মেচ অহুম্মক মায় পাক্লগা গ্রুপ এগী মকোক্তা লৈদুনা পি ভি সিন্ধুনা সেমী ফাইনেল য়ৌখিবনি। পি ভি সিন্ধুনা লীগ রাউন্দগী অরোইবা মেচতা ঙসি জপানগী অকানে য়ামাগুচিগা শান্নখি। মেচ অদুদা সিন্ধুনা য়ামাগুচিবু মিনিট ৩৬কী মনুংদা



২১-৯, ২১-১৩ দা মায়থীবা পীখি। লীগ রাউন্দগী অহানবা মেচতনা পি ভি সিন্ধুনা চাইনাগী হি বিং জিয়াওবু ২১-১১, ১৬-২১, ২১-১৮দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা লীগ মেচতনা সিন্ধুনা জপানগী সয়াকো সাটোবু ২১-১৩, ২১-১২তা মায়থীবা পীখিবনি।

কিদম্বী শ্রীকান্থনা লীগ রাউন্দগী মেচ অহুম্মক মায়থীবা নংদুনা ৱর্ল্ড সুপর সেরিজ ফাইনেলস অসিগী টাইটলগীদমক মঙখিবা মঙলান অদু কায়খ্রে। কিদম্বীনা লীগ মেচ অহুম শান্নবগী মনুংদা অহুম্মক মায়থীবা নংখি। ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা লীগ মেচতা কিদম্বী শ্রীকান্থবু চাইনাগী শি য়ুকিগী মখূৎতা ১৭-২১, ২১-১৯, ১৪-২১ দা মায়থীহৌখিবনি।

HL-B/4172/17/10-14/12




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com